অঙাংশিংগী ফোটো হাপ্লোইদবনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী সোসিএসল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর এন জি উত্তমনা থোকপা চেরোল অমনা পাউ চে নত্রগা মখল খুদিংমক্কী মেডিয়া প্লেটফোর্মশিংদা কেস অমদা থিজিনবগী থবক চথরিবা অঙাংশিং মশক মমিং খংহনবা য়াবা মওংদা ঈ পাউ ফোঙবা তৌরোইদবনি। মসিগী মায়োক্তা থবক তৌরকপা তারবদি জুবেনাইল জস্তিস এক্ট ২০১৫ গী সেক্সন ৭৪ গী সব সেক্সন (১)গী মখাদা দন্দি ফংনিংঙাই ওই। মসিদা থা ৬ জেলদা লৈবা লুপা লাক্ষ ২ ফাইন থিহনবা নত্রগা অনিমক ফংবা য়াই। মরম অসিনা অঙাংশিংগী অকুপ্পা ৱরোল ফোঙবীগনু হায়রি।

GAS NEWS

MANIPUR GAS
(Home Delivery Only)
Bk: **16/09/23,V/F 27/08/23**
(14.2 kg and 19 kg.available)

MM GAS SERVICE
(Home Delivery Only)
Bk: **Up to date**
Time : 9 a.m. to 12 noon.

POROMPAT INDANE
(Home delivery within 3 days)
Bk/ Upto: **1/9/23** V/f **22/8/23**
(Payment at counter)
Quaries Contact No. **9366184547** (8.00 a.m. to 11.00 a.m.)

কোবিদকী থিজিনখিবশিংদা নোবেল মেডিসিন পীরগনি

স্তোকহোলম, ওক্টোবর ২ ঃ আর এন এ মেসেঞ্জরগী লমদা থিজিন হুমজিনবা চখদুনা কোবিদ ১৯ গী ভেকসিন পুথোক্নবা লম্বী য়াৎখিবগীদমক হঙ্গেরিগী কটায়িন কারিকো অমদি য়ুনাইতেদ ষ্টেটকী ব্রিয়ু ৱেষ্টমেন অনিবু নিংথৌকাবা নুমিত্তা নোবেল মেদিসিন প্রাইজ পীনবা লাওথোকখ্রে।

থিজিন হুমজিনবা রিছার্সর অনি অসিনা পুন্দুনা ন্যক্লোসাইট বেজ মোদিফিকেসন পুথোকপা ঙমখিবদগী কোবিদ ১৯ লায়েংনবা আর এন এ ভেক্সিন মায়পাক্না পুথোকপা ঙমহনখি।

রিছার্সর অনি অসিনা থিজিন্দুনা ফংখিবা লৌশিং অসিনা মীওইবা খুন্নাইদা খ্বাইদগী চাওনা শিংনখিবা কোবিদ ১৯ ঙাকথোকখিবা ভেক্সিন খ্বাইদগী খোংজেল য়াংনা পুথোকপদা অচৌবা মতেং পাংখি। সাইন্তিষ্ট অনি অসিনা চহী অসিগী দিসেম্বর ১০ দা পাংথোকপা নোবেল প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরমদা স্বুইদেনগী নিংথৌ কিম কার্ল ১৬ দগী মেদিসিনগী নোবেল প্রাইজকা মরি লৈননা গোল্ড মেদল অমদি দোল্লর মিল্লিয়ন অমদি চ্যেক মনা ওইনা ফংগনি।

নীংশিংবা য়াবদি মমাং চহীগী নোবেল প্রাইজ মেডিসিন অসি স্বুইদিস সাইন্তিস সেবান্তে পাবোনা হ্যুমেন ইভোল্যুসনগী অরোনবা ওইনা লৈরম্বা নেনদারথেল দি এন এ পুথোক্তুনা ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা ইম্যুন সিস্তেমগী অকুপ্পদু খংবা ঙমহনবগীদমক মনা অসি ফংখিবনি। লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নোবেল ফিজিক্স অমদি য়ুমশকৈশ নুমিত্তা কেমেস্ত্রিগী প্রাইজ ফংগদবশিংগী মিং মথং মথং লাওথোক্লগনি।

লমকা দিস্ত্রিক্ট শিজিন্নদনবা খংহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ ঃ লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা চুরাচান্দপুর দিস্ত্রিক্কী মহুত্তা লমকা দিস্ত্রিক্ট হায়না শিজিন্নরুবগী দোশা তাবা হৌরে। ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদর ফোরমগী মায়কৈদগী লমকা দিস্ত্রিক্ট হায়না ইরগা থারকাপ কনসাইনমেন্ট অমসুং পার্সেল কয়া পোষ্ট ওফিস অমসুং লন্নাই কোরিয়র সার্বিসশিংদা পন্দুনা লৈরে হায়বগী পাউ ফংলে। মরম অসিনা সেপরেট এদমিনিসত্রেসন অমা ফংদ্রিফাওবদি মীয়াম্না লমকা দিস্ত্রিক্কী মহুত্তা চুরাচান্দপুর দিস্ত্রিক্ট ওইনা শিজিন্নবীনবা আই টি এল এফ না খংহনখ্রে। আই টি এল এফ কী মেডিয়া সেলনা থাদোকপা চেরোল অমদা চুরাচান্দপুর দিস্ত্রিক্কী মহুৎ লমকা দিস্ত্রিক্ট হায়না থাবদগী পোষ্ট ওফিস অমসুং কোরিয়ার সার্ভিসশিংদা পোৎ চৈ কদায়দা পীগদগে খংদবদগী পন্দুনা লৈরে। মরম অসিনা লমকা দিস্ত্রিক্তা লৈরিবা কুকি জো কম্যুনিটিশিংনা লমকাগী মহুত্তা চুরাচান্দপুর দিস্ত্রিক্ট হায়না অদুমক শিজিন্ননবা খংহলক্লি। মমাংদা আই টি এল এফ না চুরাচান্দপুরগী মহুৎ লমকা দিস্ত্রিক্ট হায়না শিজিন্ননবা লাওথোক্লুবনি।

সোসিএল সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ ঃ নহারোল লমজিং মৈরা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়না পান্থোইবী অপুনবা মৈরাপায়বীগা খুৎশম্নদুনা জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২৭ শুবা মপোক নুমিৎ সেপ্তেম্বর ৩০ দগী চথরকপা নন রেসিদেন্সিয়েল সোসিএল সার্ভিস কেম্প অদু ঙসি লৈবাক্কী লু নানবগী নুমিৎ ওক্তোবর ২ মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ অসিদা লোয়শিনখ্রে। জননেতা ইরাবতকী ফোটোদা লৈশ্রু কত্তুনা হৌদোকখিবা সোসিএল সার্ভিস অসিগী মনুংদা লমতু শেংবা, লৈরক ২৭ কী মমিং থাবা প্লেটশিং থেৎপা, হৈক্রু থোং মরিলগী ফুমদি শেংবনচিংবা চথখি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]